## ৱারী মচা

# ঐখোয় নুপীগী অন্দলোন

**লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দ**

হান্না– হান্নগী হামু হামু শেল–তুমগী অবস্থা নাতে ইচা চাদে। খরা ফরক্কবরা খল্লি, ফরকপা কৌবা লৈতে। অদুবু মহৌশাদগী ফু রিৎখাওদা পৈশা য়াওদ্রবদি চৎপা হৈনদবনিনা অমদগী খরা খাক, অমদগী খরা পু, খরচকীদি ৱাৎতে। য়ুম হেক য়ৌবদনা ঐখোয়’ নুপীগী আন্দোলন।

ইচানুপী অনী মনা হুৎপদা মীঙোন্দগী পুখিবা লুপা লীশিং ১০, মিং চনবা ফংদবা ইনাওনিপাগী ইঞ্জিনিয়ারিং ডিপ্লোমা মিং চনবা য়াননবা হোৎনবগী পুখিবা লুপা লীশিং ১০, ঐখোয়’ নুপীগী থবক মচা অমতা ফংননবা হোৎনবদা মাগী লৈজবা কায়থোকপা লোইরবগী মতুংদা অমুক পূশিনবা লূপা লাখ অহুম চহী ফারক্কদৌরে, হৌজিক ফাওবা রিতন টেষ্ট হায়দোক্ত্রি। পূন্নমক অসিগী থা খুদিংগী শেন্দোইতদা লূপা লিশিং অহুম মথক্তগা চৎলিবনি। (লাইবক ফবনা শেন্দোই লৌবিদবা খরসু য়াওই)। ফীভম অসি য়ৌরবফাওবদা নোংমগী থক্তবা য়াদবগুম ঐহাক্লা য়ু থক্লি। মসিদনি ঐখোয় নুপীনা খম থেংনা শাওরিবসি।

ঐখোয় নুপীনা হায়বা চুমদবদি নত্তে। অদুবু মানা হায়জরিবদু নমহৎনবা ঐনা অহোয়নদুম হায়, ঐসু খঙঙি, য়ু থকপা ফত্তে। অদুবু ঐনা থক্লিবসিদি– কৈসু শোক্লিংঙাই ওইদে। গিলাস মনীংদা খজিক্তং নপ্পগা ঈশিং ভারিদা য়ান্দুনা থক্লিবনি।

ওজা শাদুনা লেকচর তৌশিল্লি ঐখোয় নুপীসু আরগুমেন্ট ঈংনা ঈংনা লৌখৎকনবী কাঙবুদুনি লৌখৎলকই,

– য়ুদুবু লেম্না থকপা য়াব্রনে? য়ামদ্রবদা লূপা মঙা তরাদি খরচ তৌরমগনি। নোংফাদোক থক্লিঙৈদদি কৈসু হায়জদ্রিদুনি। হন্দক মরকসিদি নোংমবু কাংদেনে। কনানা নুংশা থীরোইদোইনো?

অতৈগদি খঙদে মরৈ য়েৎনবদা ঐখোয় নুপীনা ফাওদি ঙমহন্দনবা হোৎনবা মীনি। শাউরপ তৌবা ড্রামাগী এক্তিং অমা পুথোক্তুনা হায়,

অদুবু ইবানিবু সুম্মাইনা সুম লৈরসি হায়রিরো? কেরানি অমনা কেরানি অমগী নুপীনা করি করি সন্মান করি শক্তিনো ফংগদৌরিবা? ওফিস কাদ্রিবফাওবা য়ুমদা সূরু সুরু নৈশিন, ওফিস ছুটি থাবগা য়ুমদা হেক হল্লক, কনা শঙ্গনো ফংগদৌরিবা? শক্তি পায়নবা শঙ্গ থিদবা য়াদবনিনে বুদু। য়ূ থক্ত্রবদি শঙ্গ ফংদে হৌজিক্কানসিদা।

অসিগুম্বা মতাংদদি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় নুপী ‘সাইলেন্স ইজ বেস্ত পোলিসি’ হায়বা চিনফাদু পুবীনি। অদু ঙসিদি ওনখৎলক্তুনা খুন্নকই,

– শঙ্গসু পামজদ্রে শক্তিসু পামজদ্রে। য়ুমদা ভাব তানা লৈবিবদুদং পামজৈয়ে। লাইরিক্কি মচেৎ অমত্তা তাকপীদনা, তাই পুলহল্লগা স্কুল অসুম কাহনবদুনা অঙাংদা লাইরিক মতোমতা ফজরকউ হায়বদি য়ারোই। ঙসাইসু বেমবেমদু সাইন্সকী পারা ফাদে হায়দুনা মিসনা লেপহল্লি হায়বনি। হোম ৱার্ক পীরকপা তৌরিবরা তৌদবরা হায়বসু নোংমতা য়েংশিনবিদে। নচা নুপী ঙাক্তগা ওইরে। য়ু থকপগী মচা হায়রবদি হয়েংৱাই ময়ুম পানবা ঙমলরনি।

ঐখোয়’ নুপীনা হায়বা চুম্মি। ঐনা তৌরিবসি হাকমল্লবনি। হকচাং মাঙহনবতা নত্তনা পূন্নমক মাঙহন্নবা শীল্লবনি। সেভিংগী ৱাখলদি লায়রদুনা ইন্দ্রিগী ঈখৌলাংবা কোক্লবা হোৎনবদা ঐগী ইমুং–মনুংনা তপ্না তপ্না লৈখা তারকপদু করিসু খঙশিন্নদনা লৈরি। ওফিস ছুটি হেক থাবগা লৌদবা য়াদবা ইথৌ অমমম লৈনবগুম হেক্তমক পূল্লি য়ুমায় তারবা একাউন্টেন্ট তানোবো, গ্রেদ ফোর রাবৈ, চৌকিদার কোন্দুম ঐ ওফিসতা নৎত্রগা খুলদা চঙদুনা অয়াও–অয়াওবা পুথোক্লদুনা য়ু থকমিন্নৈ। অয়ুক পুং মাপল নংনবা ওফিস হোবে–হোবে কাবদুনা য়ুমদা হঞ্জিনবদা নুমিদাংগী পুং মাপল তরাদি নুমিৎ খূদিংগী তাই। ছুটি নুমিৎতদি অয়ুক্তফাওবা থক্কৎলক্লে। নুপীদা হায় শারিবা হায়বদিুদি মসিদগী করি শক্তিনো পায়রক্কদৌরিববু? নাতে য়ান্না চাদ্রিবা অমনা হন্দক মরক ফরক তাবা ইরাং অমা থম্মোয়সিদা কন্না হৌরক্লি। য়ু ঙাউফিং–ঙাউফিং অথেংবদা নুপী কৈথেলদা চঙগনি। য়োংচাক য়োনবী মৌনহা অমা লৈ। মহাক্কী নাক্তগা ফমদুনা ৱাথী–ৱাচোই ঙাঙদুনা লৈগনি। ফাগী–ফাগীদগী সিনেমা য়েংমিন্নবা অনী অহুন্নকসু য়াওখ্রে।

লৈরক্লবসু লৈরক্ত্রবসু ইচানুপী অতোনবী মীনিদু ঐনা ওফিস চৎলমদাই খুদিংগী পোৎ তপকনবনি। ঙসিদি থোরক্তে হায়দুনা সাইকল ইন্থোক–ইন্থোক্লা লাউই, ‘‘মীনি, মীনি’’। মীনিসু মচে বেমবেমগা পরপ পরপ চেন্থোকমিন্নরকই। ঐনা করি লৈরকউগে হংদ্রিঙৈদা মীনিনা শেংফাওবা খোঞ্জেলদা লাউরকই, – বুং, ঙন্না হল্লকউকো।

ৱাতাদুদা মাঙ্গোলদা ফমহৌবা পাবুংখোয়দু নোকহৌই। খঙঙি, মমানা ইনশিল্লক্লিবনি। অদুবু মীনিগী মচীন্দগী থোরকপদুনা শক্তি হেন্না লৈহনখি ৱাহৈদু। তাশিন্নদদুনা ঐনা হংঙি,

–মীনি, করি লৈরকউ হায়বা?

মচেনা ওইনা খুন্নকই, চোকলেট হীমেন য়েকপা। মীনিসু হায়রকই, ঐদি মিথাই। মবানিমক পূন্না অমুক হায়হৌই,

–ঙন্না হল্লকউকো বুং।

নোক্তুনা য়েংশিল্লুই। ঐখোয় নুপীসু থোঙনাউদগী ঐবু য়েংলগা নোক্তু না লৈরম্মি।

পুং মরি মখাই তাগদৌরে। চপ চানা খল্লে, ফক্তবা থবকসিদি তোক্লনবা হোৎনরগে। ইথন্তা নোকচরুই বেমবেমগা মীনিগগী মকৌদু নিংশিংলগা। পেন স্তেন্দদা থেংলিবা কেলেন্দরদুদা ইরি, এপ্রিল ১৭, নিংথৌকাবা। বেমবেমগা নোনোগগী থা পরীক্ষা খজিক্তগা ঙায়রে। য়ুগী খোঙলোয় কনাসু উন্নদ্রিঙৈ ঐহাক ওফিস্তগী পরপ পরপ থোরক্লে। চৎনা চৎনা খল্লকই,

–অসি মঙাইদনা।

---

## তাবুনুংদগী

*(শকনাইরবা লৈখিদ্রবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৯৯ দা ফোঙবা ‘‘ৱাকচীগী কবিতা’’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্তা য়াওবা ‘‘ য়োকপা অমসুং শিবা’’ কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### য়োকপা অমসুং শিবা

য়োকই শি য়োকই শি
নীংথিনা য়োকই যতন তৌনা য়োকই
অদুবু শি য়োকনা য়োকনা শি
মীনা য়োকপদা শিখি
উমংগী কৈ মচা অমা
ওঝানা তাকপদা পঙশিনখি
ফনা ফরম্বা অঙাং অমা
মপানা শেম্বদা মাঙখি
মী ওইজরন্নগদবা
নুংশিরবা অঙাং অমা।

--

---

## মণিপুরী পাৰুম্ –পাউরৌ, পাউতাক

**২৬৫ অপঙবনা চাবা শেন্দি পঙনা চায়, অশিঙবনা চাবা শেন্না শিংনা চায়।**
– অপঙবনা তৌবা থবক্তি ৱা–ৱা লাওই, অশিঙবনা তৌবা থবক্লা মনা মনিল নাইদে।

**২৬৬ অপঙবা ফাদুনা শিজিন্নবা**
– অশিংবনা অপঙববু থেন্নগা শিজন্নবা।

**২৬৭ অপঙবগী মরল অশিংবনা চাবা**
–অশিঙবনা খুদোংচাবা লৌবা।

**২৬৮ অপঙবা মীগা অঙম তান্নবা অশিঙবা কৌদে।**
– অপঙবগা মান্নরবদি মশাসু অপঙবা ওইরেদনা।

**২৬৯ অপঙবদি থাগৎলগা হরাওই।**
–অপঙবা মীদি অশিঙবা মীনা থাগৎলগা থবক শীজিন্নৈ। (খঙদবনা ওইরবোই নীংদুনা পেন্থোকপা)

**২৭০ অপঙবনা মতু ফুই অশিংবনা মোন ফুই।**
–অশিংবা মীদি তাৎ পাৎ তৌশিন্নরগা অশেংবা শাই।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

## লাইরিক্কা উন্নবা

### লাইরিক ঃ ইমাবু নীংশিংলকপদা (শৈরেং)
### অইবাঃ কাংজম চাউবা
### অফোঙবাঃ মণিপুরী লিটরেরী সোসাইতি, ইম্ফাল
### মমলঃ লূপা ২০০/-

কাংজম চাউবনা ইবা ‘ইমাবু নীংশিংলকপদা হায়বা শৈরেং লাইরিকসি মণিপুরী লিটরেরী সোসাইতি ইম্ফালনা খৃষ্টকী কুম ২০১৫ দা অহানবা ওইনা মীয়াম প্রিন্টিং প্রেস পাউনা বাজার গভর্নর রোড, ইম্ফালদা কপি মশিং ৭০০ খক লৌরগা ফোঙখিবনি। লাইরিকসি বাংলা অমদি মীতৈ ময়েক অনীমক য়াওরি। অপুনবা লামায় মশীংনা ১১৯ নি। মখুমগী লাই অসিবু ডিজাইন তৌবীরিবনা ডা. রঞ্জিৎ খোইস্নাম্নি। লাইরিকসি কবিসিগী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিক্নি। কবিনা শৈরেং ইবগী মতাংদা মশাগী ওইবা মত পীরি ঃ– ‘‘মরৌ লৈবা ৱাহৈনা কোচি থাংনা ইবা শৈরেংবু অৱাংবা থাক্কী শৈরেংনি হায়নৈ। ঐদি মসিগুম্বসি কয়া হৈনজদে। হায়নিংবা ৱাদু দোং দোং হায়দোক্তুনা থেংন–থেংনবা হেক্তা ৱাইবসি ঐগী হৈনবীনি।’’ অদুনা ঐসু নীংঙক–নীংঙকপদু হেক্তা ইশিনবনি। ‘‘ লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক ‘ৱাহৈ খরদং’ হায়বসিদা পীরিবা অইবগী ৱারোল হায়বসি পাবদা কবিগী চাউরাকপা মীৎয়েং অমদি খঙবা ঙমগনি। শৈরেং মশিং পুন্না চাম্মগা অনী য়াওরিবা অসিদা কবিনা ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফম অমদি হীরম মখল মথেলনি। লৌখৎলিবা মরুওইবা হীরমশিংদি মহৌশাগী খুৎশেম্বু ঙাক–শেন্দুনা খল কায়দবা থম্বা পাম্বা, মজাতিগী মচৎ–মনাৎনা লৈখাতারকপগী পেন্দবা, লমদমসিদা নীংতম্বগী ৱাহন্থোক লৈরক্তবা, গনতন্ত্রগী লৈঙাক্কী অর্থ লৈতবা মতৌ, মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা থম্বদা য়ানিংদবা উৎপা মীওইবা খুন্নাইসিদা ইমু–নাইবু তান্নববু য়ানিংদবা, শান্তি লৈবা সমাজ অমবু ঈখৌলাংবা মখল মথেলনি।

লমদম অসিদা লৈঙাক শাসন পায়রিবা লৈবাক্কী খমদোং য়াইতোংবশিংনা লমদমসিবু চুহী শুম্বগুম শুমদুনা হিংই, লৈবাক প্রজানা মহি ময়াই পুম্বা লৌথোকপিখ্রবা চুমগুম্না পুন্সিগীঅমম্বা লম্বীদা লৈবদা তাই। মীয়াম্না থাজনা খনখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মণিপুরবু কোয়হা হাদুনা য়োল্লকপা, অমুকসু লৈঙাক শাসন পায়খ্রবা মতুংদা মনা তাথিরবা মমীৎ উদ্রবা মীশক্কুম্না লৈবাক প্রজাগী অৱা–অনং উদবা মীয়াম খোল্লাও তাবিরক্তবা মতৌবু কবিনা ‘মণিপুর য়োঞ্জরি’ অমদি ‘নিংথৌ খনবা’ শৈরেংদা ফোঙদোকই। লৈঙাক শাসনগী শক্তি হেক মখুত্তা পায়খ্রবদি মখোয় পূম্বা অসুম্না হেক্তা তৌরকই। অদু ওইরবদি মীচম প্রজাশিংনা তৌফম থোকপসি করিনো হায়বসি খন্থদবা য়ারক্তে – ‘‘নিংথৌ হায়বদু ওইরুবনিনা– মশাগী অশোনবসু খঙজদ্রে। মশানা খঙনসু তোক্লিংদ্রে। ঐখোয়নসু লৌথোকপা ঙমদ্রে। লৌথোক্লবা পাঙ্গলসু লৈত্রে– মতুং তারকপদদি ঐখোয়– করি তৌবা তাই।’’ (লাঃ৭) গনতন্ত্রগী লৈঙাক মনুংসিদা চঙখি চঙখিবা খুদিংমক্লা মশক মচু ওইনখ্রিবসি করিগীনো হায়বগী ৱাহং অমা কবিগী পুক্লিংদা চঙলকই। মসি অশোয়বা সোসিয়েল সিষ্টেম খরনা পুখরকপনি অদুবু অদুগুম্বা সিষ্টেম অদুদা অহোংবা খরা পুরকপা তাই হায়বসি কবিগী থাজবনি। কবি অসি পুন্সিবু অদুক য়াম্না কল্পনা তৌদুনা য়েংবা পামদে। পুন্সিগী ওইরিবা, সমাজগী অকোয়বদা থেংনরিবা, তারি –উরিবা শক্তমশিং অদুবু মশাগী পর্সপেক্তিভতা লৌজবা মতুংইন্না মহাক্কী ইনরসেন্সতা য়ৈরকপশিংদু কবিতাগী শক্লোন্দা লিরিকেল ওইনা মশাগী ওইজবা মফোঙদোক অমদা পুথোক্লবা হোৎনৈ। অইবগী ৱাহৈ–ৱাতা চমই অদুবু হায়নীংলিবা ৱাফমশিংবু মচু–তানা অমদি ময়েক শেংনা ফোঙদোকপদদি মদুনা করিসু মপুং ফাদবা ওইহন্দে। কবি অসিগী মখুত্তগী অপাবশিংনা শৈরেং লাইরিক কয়ামরুম আশা তৌবা য়াই।

**আর জে মীতৈ**

---

## শৈরেং

### থেংনৈ উনৈ কৌনৈ

*মেটিকুমার নিংথোম্বম*

থেংনৈ উচৈ কৌনৈ
থম্মোয় থম্মোই লান্থোকনৈ
হংজরি থম্মোয়না থম্মোয়দা
করন্না নুংশি হায়সিবা।

অমনা অমদা হায়দোক্নদা
খাঙনরি ফোংঙমদা মৈচাক
লোন্না লোন্না য়েংনরি
মীৎচিনা পাউখোং চন্নরি।

উরি ঐখোয় উরি
খঙই ঐখোয় খঙই
চাকনরিবা থম্মোয় অনী
চৈনরীবা থম্মোয় অনীনা।

### কনানবু হিমাই চুন্নিবা

*বিসি খুমন*

খংলুদে, লম্বীসিদি অসুক চনৈনরমগনি
থাজরুদে, অসুক মিনুংশি লৈনরম্লোই,
দুবু খঙলবা তুং হেন্না শোন্থরক্লে,
পাঙ্গল, থৌনা, ৱাখল লফাংনরে,
কনানবু হিমাই চুন্নিবা হে রাজনিতি।

য়েক্লবসু মরুপ্নি, মরুপসু য়েক্লবনি
অচুম্বা, অরানবা ফওবা অফবা পুম্বা
রাজনিতিগী লিক্লমদা অমতনি, অক্ষানি,
দুবু অশেংবা খংলদি হঙ্গোয়রক্কনি
কনানবু হিমাই চুন্নিবা হে রাজনিতি।

ৱাশক্লা মাংদা থম, পৈশানা তুংইন
চাং ওন্বদা ৱাশকখিবা কাওগনি খন্বা
প্রজাগী হক মন্তিক্লবতনা থৌদাংলবা
মতমসিগী অশেংবা রাজনিতিৱালাশিং
কনানবু হিমাই চুন্নিবা– হে রাজনিতি।

কারে শেঞ্জাও কাদ্রে শেম্বুম
মন্ত্রিগী আশা থিকাগী মঙলান
মঙ মঙবা তন্নিনি মতমসিগী
অকুৎপদা লৈতৌবা অতোংবদা লৈথোম্বা
কনানবু হিমাই চুন্নিবা হে রাজনিতি।

### নিনিগী মীথুংলেন ওই

*জি.এ. ঘনপ্রিয়া দেবী*

নিনিগী মীথুংলেন ওই
লেপ্লুরে নুংশিগী থোঙজিন্দা
থম্মোয় থম্মোয় শিন্ননা
নুংশি লৈপুন শেন্লুরে।

অহিং নঙসু হৌখিনুবা
নুংশি ৱারী লোইখিগে
থাজ নঙসু লেপ্‌খোগবা
নুংশি পাওমেন্নরমখিগে।

কৌরৌহনবগী মঙালদা
মাঙ্খি অহিংগী ৱারী
মমি শান্নবা থাজগী ৱা
তাবিনবা কনা লৈখিদে।

অহীংনা ঈচিক হুল্লিমখে খোয়রাঙলিবা
থাবলনা মকে শেন্নিমখে খোয়রাঙলিবা
থাবলনা মকে শেন্নিমখে নুংওল্লিবা
ফাওখিদে অসুন্না নোংমতসু থম্মোয়সিদা
নুংশিবা নঙগা থেংনদ্রিঙৈ পুন্সিদা
য়াওবগে করি শুমহৎলাংবু নঙোন্দা।

লৈচীলনা পাইরিবা নোংলিক ওনবা ঙাইজবনি
ঈখৌ লাংজবনা হৌনশানি থম্মোয়গী
থেম্বীররোগবা লৈতাদ্রবা পূক্নীংসে
নুংশিবা নঙগী নুংশি লাইজ ঈরোন্নুংদা
হিংজগে লেম্লেগুম নিঙোল ওইবী মপোকসে।

### থম্বাল নংবু শাৎলোনে

*কে আইচ সিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট*

ভোৎকী মতম কুইদরে
টিকেৎতি নমদুনা ফংলে
প্রজানদি ঐবু খংদরি
ঐনসু প্রজাশিংবুসু খংদে
কাগদবা কেন্দিডেটতগীসু মুল্লুরে
ঐনদি কাবা ঙক্লোইদৌরি
টিকেৎ পামদরে হৌজিক্তি
করিনুঙগী ভোট লেপনিংলুবা!
অহেনবা শেল পান্নুবগী
মীগী চিরোল থাজরুবা
ইতিক ইপা চাদনা মন্ত্রি ওইনিংলুবগী দষানি
শাৎলরোইনে কেন্দ্রসিদা থম্বাল নংদি
ইরমদম নুংশিবা শাদুনা
ওইদবা শৈরেং থিরুবা
তুম্বা চাবা য়াদরে
লোইখরোদা ভোট নঙবো।
থম্বাল নংবু শাৎলোনে।

### মৈচাকনা য়োন্নবা থম্মোয়নি

*ওসি মৈরা*

মৈচাকনা য়োন্নবা থম্মোয়নি
চৈনানা থল্লবা হকচাংনি
খঙবীদে কনানা অৱাবা
উবীদে পূক্নীংগী ৱামৈসে।

মৈশাসে খাঙবদা কেমদৌরে
চৈনাসে পুবদা চোকথরে
লৈরম্বা থাজবা মাংখরে
হল্লকনি খল্লগা ঙাইনিংদ্রে।

পোলোইগী লম্বীনি থিরিবা
পন্থুংগী ইখৌনি লাংলিবা
পামজদে তিংখংগুম য়ুবসু
অকায়বা লিক্লিনি লৌরসু
ঙাকলৌদি ওইখিনি নহাক্কী।

### তাইবঙগী মঙাল উদ্রবসু ইমিৎসিদা

*আর. কে. সনাহনবী (লীকখোম্বী) চনু*

তাইবঙগী মঙাল উদ্রবসু ইমিৎসিদা
উদুনতা লৈরে নুংশিবা শক্তমদুতা
কনাগী খোঞ্জেল তাদ্রবসু ইনাসিদা
তাদুনতা লৈরে নুংওনবা খোঞ্জেলদুতা
করম্বা নঙগী শুমহাৎয়াইনো শুমহৎহৈবা।

### ইঙাও ঙাওনা

*আইঃ সিঃ অসেম*

ইঙাও ঙাওনা লৈজরম্বীনি
পলেম পন্থৌ ইংখোলনুংদা
নাইতোম লৈশাৎ তম্নম্বনি
কনাগী ৱাখলসু খন্দনা।

নঙগা থেংনরুবা মীকুপ্তগী
পূক্নীং ৱাখল মনিং তমখিদ্রে
ইশানা ইশাবু ফাজিনবা ঙমদ্রে
ইশানা ইশাবু ফাজিনবা ঙমদ্রে
ওইখ্রে পুন্সিসে নুংশিবা মাগীদমক।

মাগী নুংওনবা মপাউতবু তানিংলিবা
মসিবু নুংশিবগী হৌনশারা?
ঐতগী ওইজরম্বা থম্মোয়সে
ঐতগী ওইজবা ফংজদ্রে।

### ইঙেন থানা লাকপদা

*দোনেশ্বর কোন্সম*

ইঙেন থানা লাকপদা
লৌহোন হারৈ চাইরক্লে
লৌচা শেৎনা লিংলগে
খুলং ঈশৈ শক্লগে।

হো হায়না খুন্নক্লো
নোক্লা নোক্লা শক্লক্লো
ইতা ওইবী নখোয়সু
শিন্থা পাঙনা শক্লসি
ৱাবা কাউনা লোইরসি।

হৈশা–পোত্থা চাখিসি
য়েন্ন–য়েন্না চাখিসি
নোক্লা নোক্লা চীন্দমসি
পোত্থা ৱারী ওইহনসি
শৈরাংলিবী ইতারোই
শৈশক শৈরোই কাউখিনু।

### ইখিনি ঐ পুন্সিগী ৱারী

*রাকেশ নাওরেম*

ইখিনি ঐ পুন্সিগী ৱারী
থৱায়গা হকচাংগা খাইনদ্রিফাও
ইমীৎনা পাংলিঙৈ পিরাংসু থোকখিনি
পীরাংনা লেপ্তনা চেল্লিঙৈ
থোক্লকখিনি ঐগী পুন্সি ৱারীসু।

তাইবঙ কনানা তাবিনিংদ্রবসু
শকখিনি ঈশৈগী তান্থাদা
নঙবু নুংশি হায়না
খৌগংলবা ঐগী পুন্সিসিনা
লৈরোল চন্দ্রিফাওবা।

নোংদম্বা মানা তম্নম্বা
ঐগা, কায়নবগী মীৎলু পীরাং
নঙনা মীনোক্কী খোঞ্জেল
পুন্সিগী নুংঙাইবতা লইবীয়ু
মদুনা শক্লগে নঙ–ঐ থুংনবা।